# পাকিস্তানি আর্মিগী কেম্পতা সুইসাইদ এটেক চথুরকপদা ১১ শিরে, ১৩ শোক্লে



ইস্লামাবাদ, ফেব্রুৱারি ০৪ (এজেন্সি): অৱাং নোংচুপ থংবা পাকিস্তানগী স্বাট দিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈবা কবাল এরিয়াদা সুইসাইদ বোমর অমনা মশা মথন্তা বোম পোকখায়হন্দুনা এটেক চথুরকপদা আর্মি ওফিসর অমা য়াওনা সিক্যুরিটি পার্সনেল ১১ শিরে অমসুং অতোপ্পা ১৩ অশোক-অপন নংলে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

অথিংবা থমখ্রবা মিলিটেন্ট গ্রুপ টেহরিক-ঈ-টালিবান পাকিস্তান (টি টি পি)না থাদোরকপা ষ্টেটমেন্ট অমদা এটেক অদু মখোয়না চথুখিবনি হায়না ক্লেম তৌরকখি।

পাকিস্তানগী প্রাইম মিনিষ্টর সহিদ খকান অবাসিনা থৌদোক অদুবু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবা সিক্যুরিটি পার্সনেলশিংগীদমক অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। মহাক্না হায়খি, টেররিষ্টশিংনা পাংদবা মওংদা চথুরকখিবা এটেক অদুদা ইস্লামাবাদপু নীংহন্নবা ঙম্লোই। টেররিজমগী মায়োক্তা চঙশিনবা খোঙজং মখা তানা চথুখিগনি।

থৌদোক থোকখিবা খাইবর পাখতুনখ্বা প্রোভিন্সকী স্বাট হায়রিবা মফম অসি পাকিস্তানগী স্বিজরলেন্দনি হায়না খঙনরিবনি। কুমজা ২০০৭ তগী ২০০৯ ফাওবা টি টি পিগী অকনবা মফম ওইদুনা লাকখিবা স্বাট তম্পাক্তা পাকিস্তানি আর্মিনা কুমজা ২০০৯ দা পাক শন্না মিলিটরি ওপরেসন চথুদুনা থা ২গী মনুংদা মিলিটেন্টশিংগী লোৎফম পূম্নমক অমাঙ-অতা থোকহনখ্রবনি।

খ্বাইদগী ইকোন কোনবা ওইনা কুমজা ২০১৩গী জন্যুৱারীদা টি টি পিগী মিলিটেন্টশিংনা স্বাটতা লৈবা রিলিজিয়স সেন্টর অমদা এটেক চথুরকপদা লাই খুরুম্বা লাকপা মীওই ২১ শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মীওই ৭০ অশোক-অপন নংখি।

স্বাট হায়রিবা মফম অসি নোবেল পিছ প্রাইজ ফংখ্রবা মালালা য়ুসুফজাইগী পোক্লফম লমদমনি। কুমজা ২০১২ দা তালিবান মিলিটেন্টশিংনা মালালা য়ুসুফজাইবু নোংমৈনা কাপ্লম্বদগী ফীভম থীনা শোকখিবনি।

অৱাং-নোংচুপ থংবা পাকিস্তানগী ট্রাইবেল বেল্টতা নুপীমচাশিং মহৈ-মশিন তৌহন্নবা থৌরাং লৌখৎতুনা লাকখিবা য়ুসুফজাইনা ইস্লামগী মায়োক্তা লৈবা থৌরাং কয়া লৌখৎলি হায়বগীদমক তালিবাননা এটেক চথুখিবনি হায়রি।

য়ুসুফজাইদা এটেক চথুখিবগী থৌওং অদুবু পাকিস্তান অমদি মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। কুমজা ২০১৪ দা য়ুসুফজাইবু ইন্দিয়াগী চাইল্ড রাইটস এক্টিভিষ্ট কাইলাশ সত্যার্ঠিগা লোয়ননা নোবেল পিছ প্রাইজ পীদুনা ইকায় খুম্নবা লৈখ্রবনি।

চৈরকসিদা, লান্মী কয়া হাৎখিবা পাকিস্তানগী এটেক অদু টর্কিনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

টর্কিশ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি, তমথীবা মওংদা চথুরকখিবা টেররিষ্ট এটেক অদু খ্বাইদগী কনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবশিং তাইবং মপূগী মনাক্তা ঈংনা-চিক্না লৈবা ওইরসনু। অশোক-অপন নংলবশিংনা অথুবা মতমদা ফীভম ফগৎলকপা ওইরসনু। অমরোমদা, কবুল অমদি ইস্লামাবাদনা টেররিজম লাকশিন্নবগী মতাংদা ৱারী শানবা হৌখ্রে।

ফোরেন সেক্রেটরি টেহমিনা জনজুৱানা লুচিংবা পাকিস্তানগী অৱাংবা থাক্কী মীহুৎ কাঙবু অমনা অফঘানিষ্টানগী মীহুৎ কাঙবু অমগা উনদুনা অফঘানিষ্টান-পাকিস্তান এক্সন প্লান ফোর পিছ এন্দ সোলিদরিটি (এ পি এ পি পি এস)কী মতাংদা ৱারী শানখি। পাকিস্তানগী মীহুৎ কাঙবু অদু দেপ্যুটি ফোরেন মিনিষ্টর হেকমট খালিল কর্জাইনা লুচিংখি। নাকল অনীনা অথুবা মতমদা টেররিজম লাকশিন্দুনা ঈং-তপ্পা ফীভম পুরক্লবগী মতাংদা খন্নখি হায়না ওফিসল রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

# অফ্রিনদা চথবা ওপরেসনদা টেররিষ্ট ৯৩২ হাৎপা নৎত্রগা ফাবা ঙমখ্রে



ইষ্টানবুল, ফেব্রুৱারী ০৪(এজেন্সি): জন্যুৱারি ২০ দগর হৌনা সিরিয়াগী অফ্রিন রিজনদা ওপরেসন ওলিভ ব্রাঞ্চ চথুরকপদা পি ৱাই ডি/পি কে কে অমসুং দাইস টেররিষ্ট ৯৩২ হাৎপা নৎত্রগা ফাবা ঙম্লে হায়না টর্কিশ জেনরেল ষ্টাফনা ফোঙদোকখ্রে।

টেররিষ্ট ফাবা নৎত্রগা হাৎপা নৎত্রগনা চঙজরকপগী থৌওংবু টর্কিশ ওথোরিটিশিংনা "ন্যুট্রেলাইজ" তৌবা হায়বা লোন্দা শীজিন্নদুনা লাকখি। ষ্টেটমেন্ট অমদা মিলিটরিনা হায়খি, হৌখিবা অহিংদা টর্কিশ আর্মদ ফোর্সেসনা টেররিষ্টশিংগী লোৎফম ১৫ অমাঙ-অতা থোকহনখিবগা লোয়ননা নোংথক্তুগী লান্দাবদা টেররিষ্ট ৭৪ হাৎপা ঙমখি।

ঙসিসু ওপরেসন ওলিভ ব্রাঞ্চকী শরুক অমা ওইনা টর্কিশ মিলিটরিনা পি কে কেগা মরী লৈনবা টেররিষ্ট মঙা হাৎখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা ৩৫ অশোক-অপন নংহনখি।

মাউন্ট দারমাককী খা থংবদা লৈবা বুলবুল ডিষ্ট্রিক্টতা টর্কিশ লান্মীশিং চঙশিন্দুনা টেররিষ্টকী মরুওইবা লোৎফম অয়াম্বা অমাঙ-অতা থোকহনবা ঙম্লে হায়রি।

ওপরেসনদা শীজিন্নখিবা লানগী প্লেন অয়াম্বা অশোয়-অঙাম য়াওদনা বেজদা হল্লকখ্রে। অমরোমদা টর্কিশ লান্মীশিং অমসুং ফ্রী সিরিয়ন আর্মি (এফ এস এ) গী ফাইটরশিংনা সাইখ হুরুস হিল নীংতমহনবা ঙম্লে হায়না লাউথোকখ্রে।

টর্কিশ সিক্যুরিটি ছোর্স পল্লদুনা এজেন্সিগী পাউনা হায়, বুলবুল টাউন মনাক্তা লৈরিবা খুরুস চীং খুদুম চন্নবগী মতাংদা হৌখিবা অহিংদগী ওপরেসন চথুবা হৌখিবনি।

# ম্যান্মারদা মুস্লিম উকিল হাৎখিবগী মতাংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে



য়াঙ্গোন, ফেব্রুৱারি ০৪ (এজেন্সি): চহী অমগী মমাঙদা কো নি কৌবা মুস্লিম উকিল অমা ম্যান্মারদা হাৎখিবগী মতাংদা হৌজিক ফাওবা মীয়াম্না অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি।

নোবেল পীছ প্রাইজ ফংখ্রবী ওং সান সু চিনা হৌজিক ফাওবা মুস্লিম উকিল অমা লৈখিদবগী মতাংদা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎলক্তবগী থৌওং য়ানিংদে হায়না উকিলশিংগী লূপ অমনা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ২০১৭ কী জন্যুৱারি ২৯ দা কো নি কৌবা মুস্লিম উকিল অমা য়াঙ্গোন ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা মীওই অমনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবনি। থৌদোক অদুদা চেন্নবা মীওই অদু চহী অদুমক্কী ফেব্রুৱারি থাদগী অতোপ্পা মীওই ৩ গা লোয়ননা পুলিস কষ্টদিদা থল্লকখ্রবসু হীরম অসিগী মতাংদা মতিক চাবা থৌরাং অমত্তা লৌখৎলকপা লৈত্রি।

চি লিন কৌবা ফারবা মীওই অদুনা মশাগী মরাল য়াজখিবগা লোয়ননা মহাকপু কনাগুম্বা মীওই খরনা শেল পীরগা উকিল অদু নমদুনা হাৎহনখিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

লৈখিদ্রবা উকিল অদু কুমজা ১৯৫২ দা সেন্ট্রেল সগাং রিজনগী কাথা কৌবা অপিকপা টাউন অমদা বেঙ্গোলি মুস্লিম অমগী ইমুংদা পোকখি। মহাক্কী অপোকপা বেঙ্গোলি মুস্লিম ওইরবসু অপোকপী মমাদি বর্মিজনি।

# রসিয়ানা য়ু এসকী ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রাম য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে



মোস্কো, ফেব্রুৱারি ০৪ (এজেন্সি): য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা অনৌবা ন্যুক্লিয়র ৱেপন্স প্রোগ্রাম পায়খৎলকপনা ন্যুক্লিয়র ৱার থোকহল্লকপা য়াই হায়না রসিয়ন ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি, মালেমগী লৈবাক অয়াম্বনা ন্যুক্লিয়র খূৎলায় থাদোক্লুবা থৌরাং লৌখৎলিঙৈগী চৈরক্তা ৱাশিংটননা অনৌবা ন্যুক্লিয়র ৱেপন্স প্রোগ্রাম পায়খৎলকপা খুদোংথীনিংঙাইনি।

ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টর জবদ জারিফনসু য়ু এসকী অনৌবা ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রাম অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা জারিফনা হায়খি, ন্যুক্লিয়র নন প্রোলিফরেসন ট্রিটি (এন পি টি) গী চৎন-কাংলোন থুগায়দুনা লৌখৎলক্লিবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী থৌরাং অসি মালেমগী মীপূম খূদিংমক্না কন্দেম তৌফম থোকই।

ৱাশিংটননা জোইন্ট কোমপ্রিহেন্সিভ প্লান ওফ এক্সন (জে সী পি ও এ) গী মতাংদা লৌখৎলকপা থৌরাংবুসু জারিফনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। মহাক্না হায়খি, য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা মালেমদা অনৌবা ন্যুক্লিয়রগী লান অমা থোকহন্নবা অতম্নিনা শিল্লে।

পনবা য়াবদি, রসিয়ানা অনৌবা খূৎলায় কয়ামরুম শেমগৎলকপদগী য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনসু ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রাম পাকথোক-চাওথোকহন্দুনা অনৌবা ন্যুক্লিয়র খূৎলায় শেমগৎনবা হোৎনরি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

হীরম খূদিংমক্তা রসিয়াগা লম্বা পাবা ঙম্নবগীদমক য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী এদমিনিষ্ট্রেসননা ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রাম পাকথোক-চাওথোকহন্নবা ফিরেপ লৌরকপনি। মসিগা ইরোয়ননা ন্যুক্লিয়রগী মতিক ময়ায় লৈরবা নোর্থ কোরিয়াবু নমথনবগীদমক য়ু এসনা মোস্কোগা অফবা মরী থম্ননবা থৌরাং লৌখৎলি হায়নসু রিপোর্ট অদুনা ফোঙদোকখি।

পেন্টাগোননা ইস্লামিক মিলিটেন্টশিং মায়োক্লম্বনা মরুওইবা থৌরাং ওইরম্বদগী মোস্কো অমসুং বৈজিংগা হীরম খূদিংমক্তা অথোই-অহেন তান্নবনা হেন্না মরুওইনা লৌরকখিবনি।

ন্যুক্লিয়র পোসচর রিভিয়ু হায়না খঙনবা ডোক্যুমেন্ট অমনা হায়খিবনি মদুদি করিগুম্বা ফিভম অমত্তদা রসিয়াবু ন্যুক্লিয়র খূৎলায় শীজিন্নহন্দনবা ৱাশিংটননা অকনবা থৌরাং লৌখৎপা হৌরে। হৌজিক হৌজিক রসিয়ানা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ন্যুক্লিয়র খূৎলায়শিং থৌশারক্তবগী ফিভমদা লাকপা মরম্না পেন্টাগোনগী অনৌবা থৌরাং অমা লৌখৎতুনা অনৌবা অমসুং মতিক ময়ায় লৈবা ন্যুক্লিয়র খূৎলায় কয়ামরুম শেমগৎনবা হোৎনরকপনি হায়রি।

হান্নদগী হৌনা ১৫০ বি-৬১ ন্যুক য়াওনা অমেরিকাগী মশিং য়াম্লবা ন্যুক্লিয়র খূৎলায় কয়ামরুম লৈরি। অদুম ওইনমক রসিয়াগা লম্বা পাবদা মতিক চাদ্রে হায়না লৌজবা মরম্না অনৌবা খূৎলায় কয়ামরুম শেমগৎনবা হোৎনরকপনি হায়না ডোক্যুমেন্ট অদুনা ফোঙদোকখি।

পেন্টাগোননা শেমগৎকদৌরিবা ন্যুক্লিয়র খূৎলায়শিং সবমেরিন নৎত্রগা জহাজদগী অরাইবা মওংদা কাপ্পা য়াগদবা মরম্না য়ুরোপ নৎত্রগা অতৈ অতোপ্পা মফমশিংদা পৈশিন্দুনা থম্বগী মথৌ তারোই।

অমরোমদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী থৌরাং অসিবু য়ানিংদবা মীওইশিংনা হায়খি মদুদি পেন্টাগোননা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসি নন-প্রোলিফরেসন এগ্রীমেন্টকী মায়োক্তা লৈবা খোঙথাংনি। ৱাশিংটনদা লৈবা ষ্টিনসন সেন্টর কৌবা মীচং মীখায় নাইদবা এন্টি ন্যুক্লিয়র প্রোলিফরেসন থিঙ্ক টেঙ্ক অমগী কো ফাউন্দর বেরি ব্লেকমেননা হায়খি, মমাঙদা য়ানখিবা ৱাফমশিংগী তায়োন্নবা মওংদা পেন্টাগোননা অনৌবা ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রাম অমা পায়খৎলক্লিবসি পুক্নিং থৌগৎফম থোক্তে। মালেমদা ন্যুক্লিয়র খূৎলায় লৈহন্দনবগী মতাংদা সাইন তৌনখিবা নন প্রোলিফরেসন এগ্রীমেন্টকী মায়োক্তা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসিনা মালেমগী ইং-তপ্পা ফিভমদা অকায়বা থোকহল্লকপা য়াই হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# মাইন পোকখায়বদা মখোঙ ককখ্রে

ধাকা, ফেব্রুৱারি ০৪ (এজেন্সি): ম্যান্মার অমদি বাংলাদেশকী লোন্নবা ঙমখৈদা লৈবা বফর জোনদা লেন্দ মাইন পোকখায়বগী থৌদোক অমদা বাংলাদেশি লৌমী অমগী মখোঙ অনীমক ককখ্রে।

ওফিসল অমনা হায়খি, বাদিউর রহমন কৌবা মীওই অমনা খা থংবা বাংলাদেশকী ঙমখৈদা লৈবা ঙাইখোং চারি টাউনদা ষণ শেনবা চৎপদা লেন্দ মাইনদা নেৎশিল্লুবদগী খঙহৌদনা পোকখায়রক্তুনা মখোঙ অনীমক ককখিবনি। মশাগী চহী ৪৫ শুরবা মীওই অদু খুদক্তা লোকল হোস্পিটাল অমদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি অদুবু লায়কন্নবা ঙমদবদগী খা থংবা হীথাংফম সিটি চিটাগোংদা লৈবা হোস্পিটাল অমদা পুখৎখি। হৌজিকসু মহাক্কী ফিভম খুদোংথীনিংঙাই ওইরি হায়না মারজিয়া খাতুন কৌবী নর্স অমনা ফোঙদোকখি।

ঙমখৈদা লেন্দ মাইন কয়া লোন্না ফুম্লম্বগী মতাংদা বাংলাদেশকী বোর্দর ওফ ওফিসলশিংনা ম্যান্মারগী সিক্যুরিটি ফোর্সেসপু মরাল শীদুনা লাকখিবনি। বোর্দর গার্দ বাংলাদেশ (বি জি বি) গী কম্মান্দর অনৱারুল অজিমনা হায়খি, লেন্দ মাইন পোকখায়খিবা মফম অদু শম্বল খাজিন দবা মরম্না অয়াম্বা মতমদা ষণ কয়াগী শজিক চাফম ওইদুনা লাকখি। মতম খরগী মমাঙদা ম্যান্মার আর্মিনা মফম অদুদা লোন্না চঙলক্লগা লেন্দ মাইন ফুমজিল্লম্বদগী লাইবক থীবা থৌদোক অদু থোকখিবনি। পনবা য়াবদি, ম্যান্মারগী লান্মীশিংনা মীশিং য়ামদবা রোহিঙ্গা ফুরুপকী মীওইশিং তূম্না হাৎনবা হোৎনৈ হায়না মালেমগী মীয়াম্না মরাল শীরকপা লৈখ্রবনি।

# বৃটেনদা দাৱুদ ইব্রাহিমগী মরল-মথুম কয়ামরুম লৈরি : রিপোর্ট

লন্দন, ফেব্রুৱারি ০৪ (এজেন্সি): ইন্দিয়ানা খ্বাইদগী পাম্না ফাগদবগী তান্নরিবা টেররিষ্ট দাৱুদ ইব্রাহিমগী মরল-মথুম কয়ামরুম বৃটেনগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈরি হায়না মীদিয়া রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

*দি টাইমস* কী রিপোর্ট অমনা হায়খি, কুমজা ১৯৯৩ দা মুম্বাইগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা বোম পোকখায়হনখিবদা মরুওইবা থৌদাং লৌখিবগা লোয়ননা মেটচ ফিক্সিং অমসুং মীয়ামদগী নমদুনা শেল খোমগৎপগী থৌদোক কয়াদা চেন্নবা মশাগী চহী ৬২ শুরবা দাৱুদ ইব্রাহিমগী মরল-মথুম কয়ামরুম য়ুনাইটেদ কিংদমগী মিদলেন্দস অমদি সাউথ ইষ্ট, য়ুনাইটেদ অরাব এমিরেটস, স্পেন, মোরোকো, টর্কি, সাইপ্রস অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াদা লৈরি।

রিপোর্ট অদুনা হায়খি, মহমদ ইকবাল দি-কম্পনি হায়না খঙনবা মহাক্কী কাঙবুনা পাকিস্তান অমদি ইন্দিয়াগী ঙমখৈ লান্না দ্রগ পুথোরল্লুগা য়ুরোপ অমসুং নোর্থ অমেরিকাগী মফম কয়াদা য়োনবগী থৌওং চথৈ হায়রি। কৌবা দাৱুদ ইব্রাহিমগা নক্লবা মীওই অমনা দ্রগ লল্লোনবা, মী ফারগা থাদোকমল লৌবা অমসুং মীয়ামদগী নমদুনা শেল খোমগৎপগী থৌওং চথৈ। মীওই অসি মতম শাংনা লন্দনদা লোৎতুনা লৈরকখিবনি।


## ST. SEBASTIAN HIGH SCHOOL, WANGKHEI

**ADMISSION OPEN FOR PRE-NURSERYCLASS**

- **Admission forms are available for Pre-Nursery Class.**
- ***Age :* 3 years and above.**
- ***N.B.:*** 1. Classes for K.G to Class X begin on 05-02-2018.
- 2. Pre-Nursery and Nursery Classes will begin on 12-02-2018.

HL-P/3204/4&5 Sd/- **PRINCIPAL**

## ওফিস ওইবা য়াবা ফ্লোর অনী শাঙ্গরি

**KEISHAMPAT LEIMAJAM LEIKAI NEAR KANGLA PAO**

HL-P/4990/4,5&6 **Contact : ☎ 8118991174 / 8974960587**

## পাওজেল

খা-না চাওবা ৱাংপুরেল শিনথা অপুংবাগী লিচিংপুরেল ডা: য়েংকোকপম শরৎচন্দ্রনা থম্বীরম্বা ইপুধৌগী পাওতাক তুংইন্না থম্বীরম্বা কোংবা মরুদা হৌরম্বা নিংথৌরোল কয়াদগী ঈরাৎ-থৌনি তৌদুনা লাক্লুবা নোংদা লাইরেল পাখংবা ইপুধৌগী লাংওন শাইওন ওইবা উজাও-উরেনবু সনা কোনুংদা হিয়াঙ-হিরেন ২ শাদুনা থম্বীরম্মী। হায়রিবা হিয়াঙ-হিরেন অসি ১না সনা কংলাগী নুংজেং পুখ্রি অচৌবদা থমজৌও ১না সনা কোনুংগী থাঙ্গপাৎতা থমজৌও হায়না ইপুধৌনা য়াৱা থম্বীরম্মী। ইপুধৌগী অহকপা পাওজেল অসি লৈবনা ইনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা থৌরম মপু ওইবীদুনা য়াইফরবা ফাইরেনগী ২১ নি পানবা লাইপোকপা লৈবাকপোকপা নুমিৎ চৈচৎ ফেব্রুৱারি ৬ অসিদা কংলৈ ইমাগী মপারী-মমোম পুম্নমক্না অয়ুক্কী পুং : ৮.০০ তাবদা সনা কোনুংদা খোংদোই হুনবীরক্তুনা ইপুধৌনা সনা-কংলা খোং-কাবগী থৌরম অসিবু য়াওবীয়ু হায়না নোল্লুকচরী।

*নোল্লুকচরিবাঃ*

HL-P/471/2,4,5Feb. **খা-না চাওবা ৱাংপুরেল শিনথা অপুংবা।**

## PERMANENT JOB

ইম্ফাল অমসুং মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংগী ওইবা Different Official Post Recruitment গীদমক দরখাষ্ট কৌজরি। থবক অসি মশাগী চহী ৩০ গী মনুংদা লৈবা লাইরিক তম্লিবা অমদি তম্বা তোল্লুবা মীওই খুদিংমক্না এপ্লাই তৌবিরবা য়াগনি।

***No. of Vacancy :* 33 Male and 27 Female**
***Qualification :* X, XII and Graduate**
***Income :* ₹10,000/- to ₹35,000/- (P.M)**

অথাপ্পা মীওইশিংগীদমক লৈফম-চাফমগী খুদোংচাবসু পীজরি। দিপোজিট লৌজরোই। এপ্লাই তৌবীনিংবা মীওইশিংনা অথুবা মতমদা ইশাগী Bio-data গা লোয়ননা তান্নবীয়ু।

***Visiting Hr:* 12 noon to 3 pm.**

***Contact :* ☎ 9774986962 9856377551**

HL-P/3094/29,31Jan, 2, 5Feb.


## শিংজমৈ কেন্দ্র বিল্ডিং কন্সত্রক্সন ৱারকর্স য়ুনিয়ন

শিংজমৈ ৱাইখোম লৈকায়, ইম্ফাল ৱেষ্ট, মণিপুরদা ওফিস হাঙজরে। স্মার্ট কার্দ শানিংবা, স্মার্ট কার্দ ওন্নিংবা শিংজমৈ ৱাইখোম লৈকায়গী ওফিসতা লাকপীদুনা তান্ননিংবা পুম্নমক য়াগনি।

*Sd/-* **M. Thoibi Devi**
*Secretary,* **Singjamei Kendra Building Construction Workers' Union**

HL-P/492/5

## ঐনা লাইশ্রম সুধাকরবু থম্মোয় শেংনা নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি



L. Sudhakar

**লাইশ্রম সুধাকর** (অপোকপা লাইশ্রম নবকিশোর) সগোলবন্দ খম্নাম লৈরক আই. টি. আই মনাক, ইম্ফালদা লৈবগী হিদাক হপ্তা মরি চারবা মতুংদা ঐগী ওইথংবা কিডনীদা লৈরম্বা ৩.৮ এম এম গী নুঙ অদু তারক্লে। অলট্রাসাউন্দ লৌরুবদসু লৈবা উদ্রে। মসিগীদমক্তা ঐনা লাইশ্রম সুধাকরবু থম্মোয় শেংনা ঈশ্বরগী মফমদা পুন্সি নুংশাংবা, অনা-অয়েক য়াওদবা ওইহনবীয়ু হায়না নীজরি অমদি পাউচেগী থোংদা নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি।

***Sd/-* Haobam Ajit Singh**
Pishum Chingamathak
Near, Hao-Ground Imphal-795001, Manipur

HL-P/475/5

## JOB NEWS

**NEEDS CUSTOMER CARE PVT. LTD.**

- Urgently Required 10 Sale Executive (Male/Female) for Manipur. Salary : ₹10,000 to ₹15,000
- Minimum Qualification : 10+2
- Fresher can apply.
- **Send Biodata / Contact before 9/02/2018**
- **Email : bidityumnam@gmail.com**
- **www: needscustomercare.org.**
- **Interview at Imphal, Manipur**

HL-P/490/5 ***Contact Nos. :* ☎ 7005472869 / 9612295301**

## বেগ অমা তাহৌরে

**Bajaj Allianz** কী চে-চাং শুনা য়াওবা অমুবা মচুদা অঙৌবনা **Bajaj Allianz** হায়না থাবা বেগ অমা ইম্ফালদগী নোঙদা ফাওবগী লম্বীদা মফম খঙদনা তাহৌর। কনাগুম্বনা খুনবীরবদি মখাগী লৈফম নৎত্রগা মোবাইল নম্বর অসিদা পাউ ফাওবীরকউ। অৱামন মতিক চানা তৌজগনি।

*Sd/-* **Thouchom (O) Angoubi Leima**
Nongada Makha Leikai
**☎ 9612407868**

HL-P/488/5

## ELECTION NOTICE

**4th February 2018**

It is hereby notified that the Election of Office Bearers for the term 2018-2020 of the Thangmeiband Boxing Academy (TBA) will be held on Sunday, the 11th March 2018 at the Community Hall of Thangmeiband Sinam Leikai.

| | | |
|---|---|---|
| *Last date of nomination* | : | 4.00 p.m. of 7th March 2018 |
| *Withdrawal of nomination* | : | 4.00 p.m. of 8th March 2018 |
| *Scrutiny* | : | 3.00 p.m. of 9th March 2018 |
| *Election* | : | 11.00 a.m. of 11th March 2018 |

***Sd/-* Kh. Dhiren Singh**
*Returning Officer*
Thangmeiband Boxing Academy

**HL-P/491/5**

## খঙহঞ্জবা

তাং ০১/০২/২০১৮ ইং

Langmeithet Village কী ওইবা Langmeithet Social Development Society কৌবা ওর্গনাইজেসন অমা নৌনা শেমদুনা রেজিষ্টর তৌজরগনি। হায়রিবা অসিদা কনাগুম্বনা য়াওবীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ১৪/০২/২০১৮ ইং ফাওবগী মনুংদা মখাদা শহি তৌজরিবা অসিদা পাউ ফাওবীরকউ। লোয়ননা হায়রিবা ওর্গনাইজেসন অসিগী Inaugural General Body মীটিংনা লাক্লিবা তাং ২২/০২/২০১৮ দা Langmeithet Mayai Leikai দা লৈবা Maibam Deben Singh গী শঙ্গাইদা ওর্গনাইজেসন অসিগী মেনেজিং কম্মিটি মেম্বরনচিংবা খন্ননবা পাঙথোকচরগনি। হায়রিবা অসিদা কনাগুম্বনা য়াওবীনিংবা অমদি য়েৎপীনিংবা লৈরবদি মখাদা শহি তৌজরিবা অমদি Deputy Registrar of Societies, Thoubal দা পাউ ফাওবীরকপা য়াগনি। মখা তাবা ৱাকৎ অমত্তা লৌজরোই।

*Sd/-* **M. Jiten Singh**
***Secretary***

HL-P/486/5

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, HEIROK, GOVT. OF MANIPUR

***Ref:- Mut. Case No. 55/SDC/Heirok*** ***Dt. 25/01/2018***

1. Phuritshabam Gopal Singh S/o (L) Kuper Singh of Kangthokchao.
2. Phuritshabam ongbi Mubi Devi W/o (L) Kuper Singh of Kangthokchao.

*... Applicants*

-Vrs-

Phuritshabam Kuper Singh S/o (L) Nilla Singh of Kangthokchao.

*... O.P.*

### NOTICE

Heirok, the 25/01/2018

Section 46 (B) of M.L.R. & L.R. Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি, থৌবাল তাহশিল, হৈরোক ইউনিট খুল নং ১২৬ কাংথোকচাও পাট্টা নং ১১৮ অরিবা ২২৬/৮০৬ অনৌবা দাগ নং ২০৭৬/২২৩৬ এরিয়া হেক্তর ০.১২৫৪ ইঙ্খোলগী পাট্টাদার শ্রী: মৃ: ওইখ্রে। পাট্টাদারগী মচানুপা অমদি নুপীনা মৃ: পাট্টাদারগী মহুৎ নামা পানবীয়ু হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। কনাগুম্বা কনাগুম্বীনা আপতি তৌবিনিংবা লৈরগদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা আপতি তৌবিরবা য়াগনি। পীজরিবা নুমিৎ অসিগী তুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। হৌনবী মতুংইন্না কেশ অসি মখা চৎথখ্রগনি।

*Sd/-* **Ksh. Ibopishak Singh**
Sub-Deputy Collector, Heirok

HL-P/487/5

## IN THE COURT OF THE SUB: DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG

***Ref:- Mut. Case No. 138/SDC/IW-L/ 2018***

1. Konthoujam Ravikanta Singh S/o (L) K. Rakesh Singh of Iroishemba Amukhong Leirak.
2. –Do– Lakshmi Chanu D/o (L) –Do– of –Do–.

*-Petitioners*

*-Vs-*

Late Konthoujam Rakesh Singh S/o Ibomcha Singh of Iroishemba Amukhong Leirak.

*-O.P. Party*

### NOTICE

The 31/01/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার কোন্থৌজম রাকেস সিংহ, পীং মৃ: ইবোমচা সিংহ, সাং ইরোইসেম্বা অমুখোং লৈরক্কী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং ৫৩-লমশাংগী অনৌবা পাট্টা নং ১৫৩/৩১৬, দাগ নং ১১৩২/১১৭৬ অমসুং এরিয়ানা ০.১৭০০০ চাওবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারিশিং অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথুজরগনি।

*Sd/-* **N. Shantabir Singh**
Sub-Deputy Collector IW: Lamsang

HL-P/4986/5